হুইয়েন লানপাউ

ইম্ফালগী পাউনা কৈথেলদা লৈবা পাউনা ইন্টরপ্রাইজেসতা চাইনানা শাবা টেক্নো মোবাইল ইন্দিয়া হায়না মিংথোনবা মোবাইল মখল ১ লোঞ্চ তৌবা

লামায় ১

সাহিত্য একাদেমি মণিপুরনা শীন্দুনা দি এম কোলেজ কেম্পসতা লৈবা দেব লিটরেচর সেন্টরদা পাঙথোকপা অইবা নাওরেম কালিমোহোন উনবগী থৌরম

লামায় ৩

এম য়ু অমদি দিপার্টমেন্ট ওফ হায়র এদ্যুকেসন, মিনিষ্ট্রি ওফ হ্যুমেন রিসোর্চ দিভলপমেন্টনা পুন্না শীন্দুনা পাঙথোকখিবা *য়ে ইন্দিয়া কা টাইম হে* থৌরম হৌদোকপা

লামায় ৩

সাহিত্য একাদেমি অমসুং এম য়ুনা শীন্দুনা পাঙথোকপা *দি রিফ্লেক্সন ওফ মণিপুরী কলচর ওন কন্টেম্পরেরী মণিপুরী লিটরেচর* হায়বা থৌরম

লামায় ৩

Vol. 41, Issue No.160 নোংমাইজিং, লাংবন ১২নি পানবা, অপুনবা লামায় মশিং ১২ HUEIYEN LANPAO, Sunday, September 03, 2017, Imphal www.hueiyenlanpao.com RNI No. 40746/1978 ₹ 4.50

থাউগী মমল

ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট

পেট্রোল : লিটরদা লুপা ৬৭.৭২
দীজল : লিটরদা লুপা ৫৫.৫৩

টেক্নো মোবাইল ইন্দিয়া লোঞ্চ তৌখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০২: ইম্ফালগী পাউনা কৈথেলদা লৈবা পাউনা ইন্টরপ্রাইজেসতা ঙসি টেক্নো মোবাইল ইন্দিয়া লোঞ্চ তৌখ্রে। অহানবা মোবাইল লৈবা মীওইদা খুদোলসু তমখি। লোঞ্চ তৌবগী থৌরম অদুদা মোবাইল টেক্নোগী এসিষ্টেন্ট মেনেজর (মণিপুর) জদুমণি পোৎশংবমনা হায়খি, টেক্নো মোবাইল অসি চাইনাদা বেজ তৌবনি। মোবাইল মখল অসি আফ্রিকাদা মায় পাক্লবা তুংদা ইন্দিয়াদা কুমজা ২০১৬কী জুনদা পুশিল্লকখিবনি। মোবাইল মখল অসিগী ব্রান্দশিং বেট্টরি ৪০০০ এম এ ঐচ ওই। বেট্টরি অসি মিনিট ৬০ চার্জ তৌবদা চাদা ৮০দি কাবা ঙমই। অতৈ বেট্টরিশিংগীনা ফুল চার্জ তৌবদা পুং ৩ চঙই। ফ্রন্ট অমসুং রিয়র কেমেরা অনীমক ১৩ মেগাপিক্সেল ওই। শীজিন্নবদা য়াম্না নুংঙাইবা, অথুঅকায়গী ওইনা বেট্টরি চার্জ তৌবদা মতম মাঙদবা মখলগী মোবাইলনি। মোবাইল অসি আই-৩৩, আই-৫৫ অমসুং আই-৮৭ প্রো ওইবা মখল অহুম থোক্না পুথোকই হায়খি।

অ ঈং-অশাগী পাউ

মফম	খ্বাইদগী শাবা	খ্বাইদগী ঈংবা
বিষ্ণুপুর	এন এ °C	এন এ °C
চান্দেল	৩৩.০২ °C	২৫.০১ °C
সীসীপুর	এন এ °C	এন এ °C
ইম্ফাল	৩০.৪৮ °C	২২.৬৩ °C
সেনাপতি	২৯.২৩ °C	২১.২০ °C
তমেংলোং	এন এ °C	এন এ °C
থৌবাল	এন এ °C	এন এ °C
উখ্রুল	২১.২৪ °C	১৬.৮৪ °C
মণিপুর	৩৩.৩০ °C	১৬.৮৪ °C

মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ৩.০৩ এম এম
নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং ৪.৫৬
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৫.৩২
দিরেক্টোরেট ওফ ইনভাইরোনমেন্ট,জি ও এম

গ্যাসকী পাউ লামায় ৩দা ফংবিগনি

FOREX (INDIA RUPEES)

FOREX NAME	INDIAN RUPEE
Euro	75.80235
US Dollar	63.904176
British Pound	82.761602
Australian Dollar	50.975988
Chinese Yuan Renminbi	9.73986
Japanese Yen	0.579602
Malaysian Ringgit	14.955111
Norwegian Krone	8.194326
Singapore Dollar	47.132014
South Korean Won	0.056956
Swedish Krona	7.988249
Turkish Lira	18.653987
Myanmar Kyat	0.04699
Bangladesh Taka	0.79074

Spot Gold (24K) Rates/10gm

Chennai	–	Rs 30502.67
Mumbai	–	Rs 31122.99
Delhi	–	Rs 30748.66
Kolkata	–	Rs 30919.79

HL POLL

Q : Chakthong gas blackta fanghandanaba thourang loukhatkani hairisi mai pakkani haina loubra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q : Hannagi Chief Minister O Ibobi yaona masak naiba mioi 6 ki mathakta case loubasi yaningbra?

Yes 87% No 13%

অস! লোইরেহে!

মোয় পাবুং নঙসে শিবা হৈতেদকো, এল আই সী অমফাও য়াওরমদে !

[illegible]



ও, কপ্লিসিদি এল আই সীগী ওইরে !

[illegible]

এম দি এসকী চ্যেরমেন ওইরিঙৈদা অরানবা তৌখিবা লৈতে : নবকিশ্বর

মণিপুর লৈঙাক্কী থৌশীল পি সী লমকুঙানা পেন্দবা ফোঙদোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০২ (ঐচএন এস) : মণিপুর দিভলপমেন্ট সোসাইটি (এম দি এস)তা থাদখিবা লুপা ক্রোর ১৮৫.৭৯গী শেনফম মথোং খঙহনখিদবগা মরী লৈননা হান্নগী চীফ মিনিষ্টর অমা, চীফ সেক্রেটরি ওইরম্বা অহুম, এম দি অমা অমসুং এ ও অমগী মথক্তা এফ আই আর লৌখৎলে হায়না পাউ ফোঙনখ্রবা তুংদা ৱাথোক অসিদা চেন্নৈ হায়রিবা হান্নগী চীফ সেক্রেটরি ওইনাম নবকিশ্বরনা *মহাক্না চ্যেরমেন ওইরিঙৈদা অরানবা অমত্তা তৌখিবা লৈতে* হায়না ফোঙদোরক্লি।

ওইনাম নবকিশ্বর

পি সী লমকুঙা

পাউচে অসিগা ঙসি নুমিদাংৱাইরম টেলিফোন্দা ৱারী শানবদা সিনিয়র আই এ এস ওফিসার অসিনা হায়খি, মহাক্না এম দি এসকী চ্যেরমেন ওইনা থবক পায়বা হৌরকপদা শেল-থুমদা অহোবা লৈরে হায়বা খঙলকখি। মদুগী মতুং ইন্না মহাক্না মরী লৈনবশিংদা চে ইদুনা খঙহনখি।

মহাক্না হায়খি, এম দি এসকী একাউন্ট ওফিসারদগী কুমজা ২০১৬কী মে ১৯দা ফংবা ইনফোর্মেসন মতুং ইন্না মণিপুর দিভলপমেন্ট সোসাইটিগী একাউন্টশিং বিজয়া বেঙ্ক, ঐচ দি এফ সী বেঙ্ক অমদি এস বি আই সেক্রেরিয়েট ব্রাঞ্চতা মেন্টেন তৌই।

কুমজা ২০১৬কী জুন ১৮ ফাওবদা এম দি এসকী এস বি আই সেক্রেটরিয়েট ব্রাঞ্চতা লৈবা বেঙ্ক বেলেন্স লুপা ১৩,৩৫,৪৯৬.৬৩; বিজয়া বেঙ্ক থাঙ্গাল বজারগী একাউন্ট অমদা লৈবা বেলেন্স লুপা ১,১১,৮০১.৬৪; ব্রাঞ্চ অসিগী অতোপ্পা একাউন্টতা লৈবা বেলেন্স লুপা ২১,৭৮,৯৮১.৪৮; অতোপ্পা একাউন্ট অমদনা লুপা ২,১১,৫৫৩.৯৯নি। এম জি এভিন্যুগী ঐচ দি এফ সী অমসুং থাঙ্গাল বজারগী এক্সিস বেঙ্কতা লৈবা এম দি এসকী বেলেন্স মথংশিংনা লুপা ২,৫১,৬৫৯.৬২ অমসুং লুপা ১,৯৯,৭২০.১৮ লৈরম্বা থেংনখি।

প্লানিং, টুরিজম, হেল্থ সার্বিসেস, য়ুথ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টস, স্কুল এদ্যুকেসন, ফুদ কোর্পোরেসন ওফ ইন্দিয়ানচিংবা ষ্টেট গর্ভর্ণমেন্টকী অতৈ দিপার্টমেন্ট কয়াসু তোঙান তোঙানবা থবকশিং পায়খৎনবগীদমক মণিপুর দিভলপমেন্ট সোসাইটিগা লোয়ননা ফন্দ দিপোজিট তৌখি। থবক অয়ান্বা লোইশিনবা ঙমদনা লৈখি। হায়রিবা একাউন্টশিং অসিদা থমজিনখিবা শেনফমগা লৈরম্লিবা শেনফমগা চাউনা খেন্নবা লৈখি। মসিদগী ফন্দ লান্না শীজিন্নখিবগী খুদম ফংখি। মতুং তাবা থবক পায়খৎপা ঙম্নবগীদমক প্রোজেক্ট দিরেক্টরনা মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টশিংবু ফন্দ মতিক চানা থমহনবা মথৌ তাই।

এম দি এসকী চ্যেরমেন ওইরিঙৈদা চেক অমত্তা সোই তৌখিদ্রবা হায়না পাউচে অসিগী ৱাহং অমগী পাউখুম পীরদুনা মহাক্না হায়খি, মহাক চেক সোই তৌবা লৈখি। মদু জোইন্ট একাউন্ট ওইনা লৈবদগী সোই তৌবা য়াওখিবনি। অদুবু শেল শীজিন্নবা অমসুং চেচাংশিং শুবগী থৌদাংদি মেনেজিং দিরেক্টরনা তৌবনি।

মহাক্না মখা তানা হায়খি, হান্না চীফ সেক্রেটরি ওইরম্বা দি এস পুনিয়ানা এম দি এসকী চ্যেরমেন ওইরিঙৈদা সোসাইটিগী ২৩শুবা এন্যুএল জেনরেল বোদি মিটিং ফমখি। মিটিং অদুদা লৌখিবা রিজোল্যুসন নম্বর ৬.২গী মতুং ইন্না এসোসিএসনগী মেমোরেন্দম য়াওবা বাই-লো ১১বু হান্নগী মওংদা শেমদোকখি। হায়রিবা বাই-লো অদুগী ...*মখা লামায় ৩ কলম ৪*

মোদিগী খোঙচৎ মাঙওইননা ঙসি ম্যান্মারদা দীজল পীগদৌরি

দীজল গেলোন ৮০০০ য়াওবা ট্রক ২ মোরেদা থুংখ্রে

নেপিটো, সেপ্টেম্বর ০২ (এজেন্সী): চাইনাগী ফুজিয়ন প্রোভিন্সকী মনুং চন্না লৈবা জিয়ামেন সিটিদা পাঙথোক্কদবা ব্রাজিল, রসিয়া, ইন্দিয়া, চাইনা অমসুং সাউথ আফ্রিকা (ব্রিক্স) সম্মিটতা শরুক য়ানবগীদমক হয়েং নুংথিল প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি ইন্দিয়া থাদোক্লগনি।

সেপ্টেম্বর ৩দগী ৫ ফাওবগী খোঙচৎ অসি হেক লোইবগা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি নুমিৎ ৩নিগী খোঙচৎকীদমক সেপ্টেম্বর ৫দা ম্যান্মারগী নেপিটোদা থুংলগনি। খোঙচৎ অসিগী মাঙওইননা ইন্দিয়ানা ম্যান্মারদা ইহান হানবা ওইনা দীজল গেলোন ৮০০০ পীগনি। দীজল গেলোন ৪০০০/৪০০০ য়াওবা টেঙ্কর অনী ঙসি মোরেদা থুংখ্রে।

মরক অসিদা, নেপিটোদগী ফংবা এজেন্সীগী পাউ অমনা হায়, ইন্দিয়ানা পীরকপা দীজলগী অহানবা কন্সাইনমেন্ট হয়েং ম্যান্মারদা য়ৌরক্লগনি হায়না পরামি ইনর্জি গ্রুপকী সী ঈ ও কেন তুননা ফোঙদোকখ্রে।

মহাক্না হায়খি, ইন্দিয়াগী নুমালিগর রিফাইনরি এন আর এলগা পুন্না পায়খৎপা থৌরাং অমগী মখাদা হায় স্পীদ দীজলগী অহানবা কন্সাইনমেন্ট হয়েং ম্যান্মারদা থুংলরগনি।

সেপ্টেম্বর ৩দা দীজল গেলোন ৪০০০ য়াওবা ট্রক অনী মোরেদা থুংলগনি হায়না বিমষ্টেককী মতাংদা পাঙথোকখিবা সেমিনার অমগী নাকোয়ননা মহাক্না ফোঙদোকখি।

পোৎলমশিং অদু ম্যান্মারগী তমুদা পরামি ইনর্জিগী ওফিসলশিংনা লৌশিনগনি। থৌরম অদু প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি অমসুং ম্যান্মারগী ষ্টেট কাউন্সীলর ওং সান সু চিনচিংবা লূচিংবা কয়ানা টেলিভিজনগী খুথাংদা য়েংগদৌরি।

কেন তুননা হায়খি, পরামি ইনর্জিনা নুমিৎ খুদিংগী এন আর এলদগী হায় স্পীদ দীজল থা ৩ পুন্না লৈনবা থৌরাং তৌরি। মতুং তারকপদা ইন্দিয়ানা ম্যান্মারদা দীজল সপ্লাই তৌনবগীদমক পাইপ লাইন শেমগৎলকপা য়ানা লৈ। লৈবাক অসিদা দীজল কয়া য়াম্না শীজিন্নবগে হায়বদু কুপ্পা য়েংশিল্লবা মতুংদা ইন্দিয়াদগী দীজল পুশিল্লক্নবগীদমক পাইপ লাইন শেমগৎনবা থৌরাং লৌখৎকনি।

ম্যান্মারনা নোংমদা শীজিন্নরিবা দীজল বেরেল ২,০০,০০০গী মনুংদা চাদা ৪০ রোমদি মন্দলে অমসুং অতৈ অৱাং থংবা ম্যান্মারগী শরুকশিংদা শীজিন্নবনি। মরম অদুনা ইন্দিয়াদগী দীজল লৈনবা থৌরাং লৌখৎলকপা হায়বসি মরম চাই হায়না লৌনরি।

অসামগী খ্বাইদগী চাউবা ওইল রিফাইনরি ওইরিবা নুমালিগর রিফাইনরিদগী...*মখা লামায় ৩ কলম ৮*

নুপীমচা ৩ হ্যুমেন ট্রাফিক্কিং সেলনা কলহৌরে

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর০২ (ঐচএন এস): হ্যুমেন ট্রাফিক্কিং সেল চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী টিমনা ট্রাফিক্করশিংগী মখুৎতগী নুপীমচা অহুম কনবা ঙমখ্রে হায়রি।

এস পি চুড়াচান্দপুর রাজেস বলৱান্না ফোঙদোরকখিবগী মতুং ইন্না, নুপীমচা অহুমবু বর্মারোমদা পুনবগীদমক ট্রাফিক্কর অনীনা ইকো ভেন অমদা পুরগা চৎলম্বনি। মখোয় ঙসি অয়ুক পুং ২.৩০ রোম তাবদা ফাবা ঙমখি। ইকো ভেন নম্বর এমএন০২বি/৫৪১১ দা নুপীমচা অহুম অদু মোরে তম্না পুনবা হোৎনরম্বনি। ট্রাফিক্করশিং অদুনা ঙসি অয়ুক অঙনবা পুং ২.৩০ রোম তারকপদা মোরেদা পুনবা হোৎনরকপদা হ্যুমেন ট্রাফিক্কিং সেলগী পুলিস টিমনা ফাবা ঙমখিবনি। টিদ্দিম লম্বীদগী মখোয় ফাখি।

মখোয়দা ৱাহং পাউহং চথবা মতমদা ট্রাফিক্করশিং অদুনা নুপীমচাশিং অদুবু বর্মাদা পুরবা মতুংদা থাইলেন্দলোমদা মখা তানা পুখিনবা হোৎনরম্বনি। ট্রাফিক্করশিং অদুদি ইষ্টর লালপিয়ানমাৱি (৩২) মপুরোয়বা লালমুনপুই লৈফম থিংকানফাই অমদি লালঙাইৱি (৩২) মপুরোইবা লালবৈসৈহা মহাকসু খুল অদুমক্তগীনি হায়রি। গাড়ী অদুবু থৌরকখিবা ড্রাইভরনা লুনফেসাট হাওকিপ (৩২) অপোকপা সোনপাউ হাওকিপ, কানন ভেঙ তুইবোংদগীনি।*মখা লামায় ৩ কলম ৪*

হৈক্রু হিদোংবা থৌরমদা গভর্নর, নিংথৌ শরুক য়াখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর০২ (ঐচ এন এস): মণিপুরগী গভর্নর ডা. নাজমা হেপ্তুল্লা অমদি নিংথৌ লৈশেম্বা সনাজাওবনা শরুক য়াদুনা ঙসি বিজয়গোবিন্দ থাঙ্গপাৎ সগোলবন্দদা হৈক্রু হিদোংবগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

বিজয়গোবিন্দ সেবায়ট কম্মিটিনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা গোবিন্দজি হৈক্রু হিদোংবগী থৌরম অদুদা মণিপুরগী গভর্নরনা মথং চহীদগী গভর্নর ট্রোফি ফোর হৈক্রু হিদোংবা পাঙথোক্লবা য়াই হায়না লাউথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা মণিপুরগী নিংথৌ লৈশেম্বা সনাজাওবা অমদি হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী এক্টিং চীফ জষ্টিস এন কোটিশ্বরসু শরুক য়াখি। হৈক্রু হিদোংবা অদুদা তখেল্লম্বম লৈকায়দগী পিঐচ পদ্মকুমারনা লুচিংবা খারোম থংবা মায়কৈগী টিমনা অৱাং থংবা মায়কৈদা লৈবা সলাম লৈকায়গী সলাম জোনিনা লিদ তৌবা টিমবু মায়থিবা পীখি। টিম অমমমদা মীওই ১৪ রোমনা শরুক য়াখি। সাউদর্ন সাইটকী ৱিন্নর টিমদা শেল ওইনা লুপা লিশিং মঙা পীখি। রন্নর্স অপ তাখিবা নোর্দন সাইটকী টিমদনা লুপা লিশিং মরি পীখি।

মণিপুরগী গভর্নরনা টিম অনী অদুবু থাগৎপা ফোঙদোক্লদুনা মথং চহীদগীদি গভর্নর ট্রোফি ফোর হৈক্রু হিদোংবা পাঙথোক্লবা য়াই হায়না লাউথোকখি। থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা মণিপুরগী নিংথৌ লৈশেম্বা ...*মখা লামায় ৩ কলম ৬*

ডা. নরগী ইলেক্সন পিটিসন ককখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০২ (ঐচএন এস): কুমজা ২০১৪দা পাঙথোকখিবা ১৬শুবা লোক সভা মীখলদা ইন্নর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুয়েন্সীদা ইন্দিয়ন নেসনল কোংগ্রেসকী মীরেপ ওইখিবা ডা. টি মৈন্যগী মথক্তা সী পি আইগী মীরেপ ডা. এম নরনা থাঙ্গৎলকখিবা ইলেক্সন পিটিসন অমা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরনা দিসমিস তৌখ্রে।

পিটিসনরগী মায়কৈদা লেপখিবা এদভোকেট এন মহেন্দ্র অমসুং এদভোকেট এস শামুঙৌ লোয়ননা রেস্পোন্দেন্টকী মায়কৈদা লাপখিবা এদভোকেট এল শশিভুষণগী ৱারোল পূম্নমক ...*মখা লামায় ৩ কলম ৪*

'এস টি লিষ্টতা চলহন্নবা দিমান্দ শৌগৎলি'

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর০২ (ঐচএন এস): য়ুনাইটেদ মণিপুরী এসোসিয়েসন ওফ অসাম (উমা)না অসামদা খুন্দারিবা মণিপুরী (মৈতৈ)শিংবু সেদ্যুল ট্রাইবকী লিষ্টতা চনহল্লু হায়না চঙশিল্লিবা খোঙজং সেদ্যুল ট্রাইব দিমান্দ কম্মিটি মণিপুরনা শৌগৎখ্রে।

কম্মিটি অসিগী পব্লিসিটি সেক্রেটরি দব্লিউ অনন্দ মীতৈনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, য়ুনাইটেদ মণিপুরী এসোসিয়েসন ওফ অসাম (উমা)না অসামদা খুন্দারিবা মণিপুরী মৈতৈশিংবু অসামগী এস টি লিষ্টতা চলহল্লু হায়বা ৱাফম য়াওনা দিমান্দ অহুম অসাম লৈঙাক্তা তৌদুনা লাকপবু থৌওইদবদগী এন ঐচ ৫৪ থিংবগী খোঙজং চঙশিনগদৌরিবা অসিদা সেদ্যুল ট্রাইব দিমান্দ কম্মিটিনা সোলিদরিটি উৎপগা লোয়ননা শৌগৎলি। অসাম লৈঙাক্না তাই, অহোম, কোষ্ট রাজবোংসি, সুতিয়া, মোরান্স, মুতোব অমদি টি ট্রাইব অসামগী ফুরুপ তরুক এস টি লিষ্টতা চলহন্নবা সেন্তরদা রিক্কমেন্দ তৌখিবগা লোয়ননা লিষ্টতা চন্নবগী সেন্তরদা পাল্লিবা লৈঙাক্না খন্নদুনা লৈরিবনি। চথরিবা প্রোসেস অসিদা অঙনবা মতমদগী অসামদা খুন্দাদুনা লাক্লবা মণিপুরী মৈতৈ ফুরুপসু য়াওহন্নবা মণিপুর লৈঙাক্নসু অসাম লৈঙাক্তা তকশিনফম থোকই।

মণিপুরগী য়েলহৌ ফুরুপ অমা ওইরিবা মৈতৈ/মীতৈবুসু এস টি লিষ্টতা চলহল্লু হায়বা মৈতৈ/মীতৈ মীয়ামগী ইহুল খঙনা মণিপুর লৈঙাক্না মথৌ তাবা রিক্কমেন্দেসন থেংথবা তৌদনা সেন্তরদা পাল্লিবা লৈঙাক্তা থাদুনা কন্সটিট্যুসনগী ঙাক্লৌ পীহনগদবনি।

মণিপুরগী য়েলহৌ ফুরুপ মৈতৈ/মীতৈনা এস টি লিষ্টতা চল্লবদি অসাম লৈঙাক্সু অসামগী মৈতৈ/মীতৈশিংগী ৱাকৎ শোয়দনা লুমনা লৌরক্কনি। নৎত্রবদি এন ঈদা এস টি লিষ্টতা য়াওহৌদবা য়েলহৌ ফুরুপসি মৈতৈ/মীতৈ খক্তা ঙায়হৌগনি। য়েলহৌমীনি হায়জরবসু কন্সটিট্যুসনগী ঙাকলৌ ফঙদবনা য়াম্না খুদোংথিবা খোঙফম অমদা লৈদুনা হেন্না অৱাবা মায়োক্লরক্কনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

করাংদা মৌ নহা অমা শিরল্লে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০২ (ঐচ এন এস) : বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী কৈবুল লমজাউ পুলিস ষ্টেসন্না কোনবা করাংদগী মৌ নহা অমা চিংননিংঙাই ওইবা মওংদা থৌরি য়াল্লগা শিরল্লে। মহাক্কী মপুরোইবা পুলিসনা ৱাহং-পাউহং চথুনবা ফারে হায়রি।

থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবী মৌ নহা অদুগী মমিংনা তাওরেম নিঙোল ওইনাম ওংবী তনু (৩১) মপুরোইবা ও চন্দ্রবাবু কৌই। মহাক থাঙ্গ করাঙদা লৈবনি। নুপী অদুগী থা ৯ লোম শুরবা পীক্লিবী মচানুপী অমসু লৈরে হায়রি।

ইমুং-মনুংগী মীওইশিংনা ফোঙদোরকপদা, ওইনাম ওংবী তনু ঙসি নোংঙাল্লমদাই পুং ৩ লোম তাবদা থৌরি য়ান্দুনা শিরগা লৈরল্লে হায়না সগোলবন্দ তেরা শাদোকপম লৈকায়দা লৈবা নুপী মপামদা নুপা ময়ুমগী মীওইনা ফোন তৌরক্তুনা খঙহল্লকখি। মীশি অদু চিংনবদগী নুপী ময়ুমগী মীওইশিংনা করাঙদা চঙনবা হোৎনবদা পুলিসনা থিংখি।

নুপী অদু থোঙ্গান ময়াদা হৌবা মঙ্গে পান্বী অমদা থৌরি য়ান্দুনা শিরম্বনি হায়রি। মহাক্না থৌরি য়াল্লম্বা উ অদু য়াম্না ৱাংই। উ কাবসু হৈতবী, মনাক্তা কৈরাকসু লৈতবা মফম অমদা থৌরি য়াল্লগা শিরম্বগী মওং অদু ইমুং-মনুংনা খমথেংনা মীনা হাৎপনি হায়না চিংনরি। পুলিস লাক্ত্রিঙৈদা করিগীদমক্তা অশিবা হকচাং অদু উথক্তগী লৌথরল্লিবা অদুনসু হেন্না চিংননিংঙাই ওইহল্লি হায়রি।

পাউ অসিনা মখা তানা হায়, হৌখিবা মে ২ দা তনু লৈমা মহাক্কী মপুরোইবনা মখৌরি চরম মেৎলগা হাৎনবা হোৎনরল্লে হায়দুনা নুপী অদুনা মপামদা হল্লক্তুনা নুমিৎ ১০ নি হেন্না ...*মখা লামায় ৩ কলম ৬*

বরাক থোং অমুক্কসু লানবা য়াখিদ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০২ (ঐচএন এস) : নেসনল হায়ৱে ৩৭ কী য়াম্না মরু ওইবা বরাক থোং ঙসি অয়ুক পুং ১০ রোম তাবদা পোৎ পুবা গাড়ী ময়াম লাকপদা সিমেন্ট পুবা গাড়ী অমা লান্থোক্লবা হোৎনবদা থোং অদুগী এঙ্কর অমা তৎপদগী পোৎ পুবা গাড়ী লানবা য়াদ্রে হায়রি।

প্রেসনা ফংবা পাউ মতুং ইন্না ঙসি জিরিবামদগী পোৎ পুবা গাড়ী ৫০ রোম ইম্ফাল তম্না লাকখি। গাড়ীশিং অদুগী মনুংদা মমাঙ থংবা গাড়ী খরা লানখ্রবা মতুংদা সিমেন্ট পুবা গাড়ী অমা থৌজিল্লকপদা থোং অদুগী এঙ্করগী শরুক অদু তৎতুনা নমথখিবদগী হৌজিক পোৎ পুবা গাড়ী লানবা য়াদনা লৈরে। মফম অদুদা পোৎ পুবা গাড়ী ৩০ রোম লান্থোকপা য়াদনা পন্দুনা লৈরি।

থাঙ-তা শান্নরিবশিংগী ফিজেৎ লেপ্লগনি : নিংথৌ

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর০২ (ঐচএন এস): মণিপুরগী লৈরিবা থাঙ-তাগী ওইবা ফিজেৎ অমা চৎনহন্নবা হোৎনবগা লোয়ননা দিসেম্বর থাদা থাঙ-তাগী ফিজেৎ লাউথোক্লগনি হায়না মণিপুরগী নিংথৌ লৈশেম্বা সনাজাওবনা ফোঙদোকখ্রে।

থাঙ-তা লোয়শঙ সনা কোনুংগী অহানবা মপোক কুমওন থৌরমদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়ারদুনা মণিপুরগী নিংথৌ লৈশেম্বা সনাজাওবনা হায়খি, হন্দক্কী মেরা হৌচোংবা থৌরম অসিসু মণিপুর লৈঙাক্না খুৎশম্নরগা পাঙথোক্লগনি। সনা কোনুংগী ওইবা থাঙ-তাগী লোয়শঙ লৈজরগসু মপুং ফাবা ওইবদি নত্তে। থাঙ-তাগী লোয়শঙ মপুং ফানা থৌদাং য়াহন্নবগীদমক লোয়শঙ তোঙান্না শানবা কন্না হোৎনরি। মীয়াম্না নীংহন্নবা পোকপীগনু। লোয়শঙ শানবগীদমক মণিপুর লৈঙাক্তসু তক্লরি। থাঙ-তাগা মরী লৈনবা থবক থৌরমশিংদা সনা কোনুংগী থাঙ-তাগী লোয়শঙনা খুদিংমক পুরগনি। থা অহুম-মরিগী মমাংদা মণিপুরগী থাঙ-তাগী ওইবা সিম্পোজিয়ম পাঙথোকপদা লোয়শিনবা ঙমদবদগী রিজোলুসন লৌখিদে। দিসেম্বর থাদা লোয়শিন্দুনা থাঙ-তাগী ওইবা ফিজেৎ, সনা কোনুংনা পীবা য়াবনা করিনো হায়বদু কুপ্পা য়েংশিল্লগনি। নুপী অমসুং নুপানা করি শেৎকনি হায়বসি ৱারেপ লৌবগা লোয়ননা দিসেম্বর থাদা মীয়ামদা লাউথোক্লগনি। হৌজিক লৈরিবা থাঙ-তাগী মশক অসি লুপ লুপ কয়াগী থাঙ-তা হায়না লৈবনি। মখোয় মখোয়গী লুপকী অপান্বদা চৎপা মানবা অমা ওইনা উরি। শেৎনিং শেৎনিংবা ওইনা শেৎপা অসিনা মণিপুরগী থাঙ-তা অসি মরিং মরাংবা ওইহল্লি।

"Thang-Ta Loisang"
Sana Konung, Imphal, Manipur
On Saturday, the 2nd September, 2017
AT UZRA SANGLEN, SANAKONU IMPHAL, MANIPUR

ঐখোয়গী কলচর হায়রগা থাঙ-তা অসিসু য়াম্না মরুওইবা অমনি। চহী লীশিং অনী হেনবগী পুৱারি লৈরক্লবা অসিদা ...*মখা লামায় ৩ কলম ৬*

LOAN AVAILABLE
[illegible]
মখল খুদিংগী অপাম্বা 2 , 3 and 4 Wheelers Loan
Service Loan
Pension Loan
Gold Mortgage
T.V./Laptop/A.C./Refrigerator Loan
হায়রিবা শিং অসি অরাইবা মওংদা অমসুং খুদক্তা লৌবগী খুদোংচাবা পীজরি !
AREA COVERED:
Imphal East
Imphal West
Bishnupur
● 100% Free Processing (Vehicle Only)
IMPHAL FINANCE CO-OP. THRIFT AND CREDIT SOCIETY LTD.
H.O. Lokiaobung B.O.:- M.G. Avenue, Paona International Market & Bishnupur Bazar
Please log on http://www.imphalfinancesociety.in
HL-P/2145/26/8-26/9

ঈ-পাঙ্জা মরী লৈনবশিংগী টেলিফোন নম্বর ০৩৮৫-২৪৪৫১০৬, এদভর্টিজমেন্টগীদমক ০৩৮৫-২৪৪০৭৭১,২৪৪৫১০৪ অমসুং রিদরস ক্যের নম্বর +৯১-(০)-৯৭৭৪৮০৩১৪৫